# "কায়রবা ঋতুগী তান্থা"

## EPISODE-36

**(India : Unfolding Climate Change)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) থোই থোই - এগ্রিকলচর দিরেক্টর (২) লময়ানবা - ফোরেষ্ট ওফিসার (৩) য়াইখোম্বা - লময়ানবগী মনাওনুপা

নুপী:- (১) কবোক্লৈ - লময়ানবগী মচে
(২) লীক্লাই - থোইথোইগী মচানুপী

(মতম:- অয়ুক, মফম:- কবোকলৈগী য়ুম, লাইশোল ঈশৈগী নুংশিবা শুর তপ্না তাবা)

কবোক্লৈ :- (অয়ুক্কী ধুপ থাওমৈ থানবা) হে কোরৌ অঙানবা, তোল্লবীনা কৎচরিবা হৈরাং-লৈরাং ধুপ থাওমৈসে লৎনবা লৈতনা লৌবীয়ুকো, নঙালনা মালেম শিনবা থুংনা য়েল্লিবা ইবুংঙো, অফবা নুংঙাইবা য়াইফবা পীনবীয়ুকো, মতম খুদিং মায়পাকপা অফবতা ওইহনবীয়ুকো।

য়াইখোম্বা :- ইচে... ইচে... দাদা.... দাদা...দাদা... হো ইচে... (কন্না কৌর কৌরগা লাকপা)।

কবোক্লৈ :- কৈদৌরগে য়াইখোম্বা; নঙনা অদুক কন্না কন্না কৌরিদুবো, কৈদৌবা য়াওরগে হায়বনি।

য়াইখোম্বা :- ঐখোয় দাদাদি... দাদা... দাদা (অমুকসু কৌবা)।

কবোক্লৈ :- কৈদৌরগে হায়বনি নঙবো, নোয় দাদাদি ঐনা বাজারদা এঞ্ছাং থোংননবা মনা-মশিং, মরোয়-মপাং অমতা লৈতরে খরা লৈরুচো হায়দুনা থাখিনে।

য়াইখোম্বা :- ইচে ! ঐখোয়গী ইগজাম হায়দোক্লে, ঐনা ময়াম পুন্নমক্কী মকোক ওইরে, তু য়েংঙুসে খবরসিদা য়াওরিসে।

কবোক্লৈ :- হা অওইবরা হায়রিসিবো, কদায়নো খবরদু পীরকও, ইচে য়েংগে অমুক্তা ...উম...আ... আ... সিদা য়াওরে য়াওরে। বি.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সকী ইগজাম ঙরাং অথেংবদা হায়দোকখরে, ইরোম য়াইখোম্বনা ময়াম পুন্নমক্তগী খ্বায়দগী য়াম্না মার্ক ফংদুনা ফার্ষ্ট পোজিসন তাখরে... (খবর পাবা)। নুংঙাইরেদা ওন্থোক্লা ইপ্বা অতোম্বনা ফার্ষ্ট পোজিসন তারকপসিদি, ইচে নুংঙাইরে।

লময়ানবা :- (চংঙকপা) কৈনো ইচে নুংঙাইরিবো, করি নুংঙাইবা পাও লৈরগে অদুক হরাওনা লৈরম্লিসিবো।

য়াইখোম্বা :- দাদা ! ঐ হন্দক্কী বি.এস.সি. সিক্স সেমিষ্টর, ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স (ওনর্স) কী ওইনা ঐনা মকোক তারে।

লময়ানবা :- অওইবরা হায়রিসিবো, ঐখোয় য়াইখোম্বনা ফার্ষ্ট পোজিসন লৌরবা, নুংঙাইরে পাও তাবদা নুংঙাইরে।

কবোক্লৈ :- য়াইখোম্বা ! ঙসিদি এঙ্গাং অহাওবা অমা চাসি, ঙা অচৌবা অমা লৈরুরো নঙ অমুক বাজারদা চৎলগা।

লময়ানবা :- ইচে ঙসিসে করিনো খঙদে পাও নুংঙাইবা তাগদবগী তৌরিবরা খঙদরে ঐসে ঙা খংচা হেক চানিংলকপা অদুনা ঙা রৌ অচৌবা কে.জি. অহুম্মক লুম্বা অমা লৈরকঅবনি খাওদা য়াওরিবনি। ঐখোয় য়াইখোম্বনা ঙা লৈবা অমুক চৎলুদ্রসু য়ারনি।

কবোক্লৈ :- কদায়নোনে ঙাবো ... এ ! সিদি ওন্থোক্লা ফজরেদা, মশাসে তেকসু য়াম্না তেক্লিনে।

লময়ানবা :- ইচে ! ঙাসে ঐ শেম্লুরগে হাওনা থোংঙুকো, চাকসু লাম্বনা লোইরবনি ঐদি।

য়াইখোম্বা :- ইচে, ঐনা তিলহৌ চনম মরোয় মপাংসে শেমগৎপা হৌরক্লগে, ঐসু চাক য়াম লাম্মে পরপ পরপ থোংনবা তৌরসি।

কবোক্লৈ :- হোয় হোয় থোংলগে নখোয় নচিন ননাওগী চাকসিদি ওন্থোক্লা লামগনখ্রপোৎনি, চাক্লা মেন তানা অমতা থোংফমগা খঙলোইদৌরিবনি। নোয় নোয়না তৌগদবদু শৎ-শৎ লোইশিনলকও, ঐদি ঙহাক্তদা লোয়নি চাক থোংবা।

য়াইখোম্বা :- (ফোন রিং লাকপা) এ ! লীক্লাইনিনে ফোন তৌরকইসিদি... হল্লো... হল্লো... লীক্লাই কৈদৌরগে।

লীক্লাই :- মী মচাদি লাইরিক হৈবনিনা ফার্ষ্ট পোজিসনগা লৌরদনা নুংঙাইজরমগনি, কঙ্গ্রেচুলেসন হায়গে হায়দুনা ফোন তৌজরকপনিদা, কঙ্গ্রেচুলেসনস।

য়াইখোম্বা :- থেঙ্ক য়ু, নহাকসু ফার্ষ্ট ক্লাস ফংলিদুদি, ঐগা মার্ক য়াম্না খেন্নবসু নৎতে, নঙদি মখা করি তমথদোইনো।

লীক্লাই :- ঐদি মেন অমা তাদরি, ঐখোয় বাবাগা তান্নরগা বাবানা তম্মু হায়বা অমা তমগনি।

য়াইখোম্বা :- ঐসু করিমতা খন্দরি করি মখা তৌথগদৌবনো হায়বদু ঐখোয় ইচেগা দাদাগা তান্নরগা মোয়না পাম্বা অমা তৌগে হায়না খল্লি।

লীক্লাই :- অদো হোরেল নুমিদাংৱাইরম ঙহাক্তং উন্নসি, ট্রিট মচা অমতং তৌজগে হায়ববু য়াবিগদরা।

য়াইখোম্বা :- উম, ঐ ঐখোয় ইচেদা অমুক্তা হংলকখিগে, ইচেনা য়ারদি লাক্কে।

লীক্লাই :- এ ! লোইরেহে নঙসিদি (নোকপা), নোয় ইচেনা য়াদ্রদি নঙদি করিমতা তৌবা য়াদবোরে, ফরে ফরে হোরেল নোয় ইচেনা য়ারদি ঐঙোন্দা অমুক ফোন তৌবীরকও, বাই.... (ফোন থমখিবা)।

লময়ানবা :- কনাগনো নঙনা অদুক থৱায় য়াওনা ফোনদা ৱারী শান্নরিদুবো।

যাইখোম্বা :- উম... ইমান্নবীনি, ইগজাম পাস তৌবগী ফোন সুম তৌরকপনিদা।

কবোক্লৈ :- কনানোনে নমান্নবী হায়বো, নঙগা ক্লাস অমতদা তম্মীন্নবরানে, মাদি ইগজাম পাস তৌরে হায়বরো?

যাইখোম্বা :- উম মাসু তৌরে, ইচে এগ্রিকলচর দিরেক্টর থোইথোই হায়বদু খঙবরা?

কবোক্লৈ :- মশকতি খঙদে, মমীংদি তাখরে, হৌজিক মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং কায়রকপদগী চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং ৱাৎলকপা কয়াসিদগী কন্নবা নোংগী চাং ৱাৎনা তারবসু, হেন্নবু তারবসু হৌবা ঙন্বা পান্বী মখল কয়া পুথোক্লবা হোৎনবদসু চাওনা থৌদাং লৌরিবা মীওই অমনি হায়বদাইনে।

লময়ানবা :- অচুম্বনি ইচে, ঐ সার থোইথোইবু মশক যাম্না মুন্না খঙই, মরক মরক্তসু সেমিনার, ৱার্কসোপশিং তৌবা মতমদসু হেক হেক থেংনৈ, হন্দক্তসু ঈশিং যাম্না লৈতবা মফমদসু লায়না হৌবা ঙন্বা ফৌ মখল অমা সারনা পুথোকখিবদা ঙাইহিরি।

যাইখোম্বা :- হৌজিক ঐগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবদু পাবুং থোইথোইগী মচানুপী অমতা পোকচবী লীক্লাই হায়বদুগনে।

কবোক্লৈ :- এ ! লীক্লাই হায়বা, ওহ ঐ নীংশিংলক্লে নোংমা ঐখোয়দা লাইহিরিক অমা থীনবা লাক্লম্বদু ওইবা তারে, মশমনে মনানে, মশকনে মতৌনে য়েংবগী পেনবা নাইদে মদুগী লৈশাবীদু।

লময়ানবা :- অস ৱারীসে কদোমদনোমা ফৈনা চৎখিদোরে তৌরিসে, অতৈ লাইহিরি লময়ানবা নঙবু লাইহিরিক মখা তমথদুনা এম.এ.সি. লোইথোক্লগা রিছার্চ ৱার্ক তৌথগে হায়বরা নত্রগা ইউ.পি.এস.সি. সিভিল সার্বিস ইগজামিনেসন থানবা হোৎনগে হায়বরা।

যাইখোম্বা :- দাদা, ঐদি এম.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স তম্লগা মথং-মথং পি.ঐইচ.দি., পোষ্টদোক্তা তৌদুনা, রিছার্চ ৱার্ক মথং মথং তৌদুনা মালেম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইরক্লিবসিদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকে খল্লি।

লময়ানবা :- নঙনা নিংলিবা থবক খুদিংমক মায় পাক্লবা নপুক্লিং চংনা হোৎনগদবনি।

কবোক্লৈ :- ইচেগীদি নচিল ননাও অনিসে নুমিৎ থাগুম খঞ্জরিবনি, নয়াম্বা লময়ানবসু ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিস ইগজাম পাস তৌদুনা হৌজিক হৌজিক আই.এফ.এস. ওফিসার ওইনা থৌ পুদুনা উমং-ৱামং কয়া ঙাক শেন্দুনা মহৌশা অসিবু কন্নবা থৌদাং কয়া যারিবনি নঙসু ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্টিষ্ট অমা ওইদুনা মহৌশাগী ফীভম কাইহন্দনা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া পাংথোকপা ঙন্বা ওইয়ুকো।

যাইখোম্বা :- ইচে, ইচেগী নয়াথং ঙাকপা ঙন্বা ওইজগে, ইচিল-ইনাওগীদি ইচে নহাক নৎতনা কনাসু লৈজদে, ঐখোয়গীদি ইচেনা ইমানি, ইপানি পুম্নমকনি (পুক্লিং নুংশিবা)।

কবোক্লৈ :- ইচেগী লময়ানবা... ইচেগী যাইখোম্বা... (নুংশিনা কৌবা)।

লময়ানবা :- ইচে চাক লোইরবো, চাক লাম্বনা লোইরে চাক চারসিবা।

কবোক্লৈ :- লোয়রে লোয়রে, চারসি লাকও, ঙসিদি ইচিল-ইপ্পা ঐখোয় অহুম পুখম অপাকপসিদা পুল্লপ পুন্না হেক্তা চামিন্নরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম:- ডিরেক্টর থোইথোইগী য়ুম, মতম:- অয়ুক, রেডিওদা অয়ুক্কী পাও তপ্পা পাবগী খোঞ্জেল)

থোইথোই - ঐবু ঙরাং টেবলসিদা থল্লম্বনিনে, কদায়দা চৎখ্রবজাৎনো, টেবল মখাসিদগা তাবরা অমুক্তবু য়েংখিগে, ওন্থোক্না পানিংনা পুরকপা লাইরিক্লিনে... (মথন্তা মুরুম-মুরুম শোনবা)।

লীক্লাই :- বাবা ! কৈনো তৌরিদুবো টেবল মখাদুদা পাকথরগা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা লৈরিদুবো, কৈদৌরগে হায়বনে।

থোইথোই :- টেবলসিদা লাইরিক অমা ঐনা পুরকঅগা থল্লম্বনি, লৈরমদরে কদোমদা লৈখ্রবনো খঙদরে, টেবল মখাসিদগা তাবরা হায়দুনা য়েংলিবনিনে।

লীক্লাই :- করি লাইরিক্নো, কয়ামুক মরু ওইবা লাইরিকনো বাবা।

থোইথোই :- দি ৱেদর ওফ দি ফ্যুচর হায়বা ক্লাইমেটোলোজিষ্ট হৈদি কুল্লেননা ইবা লাইরিক্তুনিনে, ঐনা য়াম্না পানিংনা ঙরাং ওফিসতগী পুরকপনি।

লীক্লাই :- (নোকপা) অদুগী লাইরিক্তু ওইরে বাবানা অদুক ৱানা ঙসাইদগী থিরিদুদি, লাইরিক্তুদি ঐনা ঙরাং অথেংবদা লৌরগা পাবনি, ঐগী ফমুংদা অদুম লৈহৌরে, খরা পাবা হৌরগা ঐদি অদুম তুম্মে ঙরাং।

থোইথোই :- নঙসু ইবেন্মা, ইপাদা হান্না হায়রল্লবদি ফদৌবা, ইপাদি ঙসাইদগী লাইরিক্তু থীবদা কয়াদি ৱারে।

লীক্লাই :- বাবা, ঙরাং ঐনা হায়ফেৎ লাইরিক্তু পাবদা হৌজিক মালেমসিদা ফোশিল ফ্যুলশিং মৈ থাবদগী থোরক্লিবা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং অসিনা অকায়বা অমাংবা কয়া ওইহল্লক্লিবা অসিগী মরম ময়াম য়াওবা থেংনৈ।

থোইথোই :- উম য়াওবনি, মহাক্না মালেমসিদা শাবগী চাং অসুমক হেনগৎলক্লবদি ঐখোয় থৱায় পানবশিংদা থোকহল্লক্কদবা খুদোংচাদবা কয়াগী মরমদসু ময়েক শেংনা ইরিবনি। হৌজিক মালেমসিদা থাদোরক্লিবা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং অসি হন্থহন্দবা তারবদি ইং ২০৫০ গী অদুৱাইদা মালেমসিদা ওইরক্কদবা অকিবগী মশক ফংলবা ঈশিং ইচাও, নোংলৈ নুংশিৎ, চাক তাংবা, নুংশাগী মৈশা খাংবা ঙল্লক্তবা, অইংবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপনচিংবা কয়াগী মরমদসু য়াম্না ফজনা মাগী লাইরিক্তুদা ইদুনা ফোংদোক্লি।

লীক্লাই :- বাবা, মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎলক্লে, গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লে, মসিনা

মালেমগী মফম খুদিংদা অইং-অশা, নোংজুগী চাংদা অকাইবা থোকহল্লে, ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং অসি ইফংমক ফংদ্রিবরা?

থোইথোই :- করিগী ফংদনি, মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী লৈবাক ভারত অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা অমাং-অতা খ্বায়দগী থোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। হৌখিবা চহি কুনলোমসিদগী ভারত্তা শাবগী চাং অসি অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি।

লীক্লাই :- অওইবনি বাবা, মমাংগী চহিদা ঐখোয় স্কুইদসু শাবগী চাংসি হান্নদগী য়াম্না হেনখি অদুগা অমুক হৌজিক নীংথমথাগী মতমসিদসু হান্না ইংলন্দা চাংদগী হন্দক্লা খংহেন হেনবগুম তৌই।

থোইথোই :- ভারত্তা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মহৈ-মরোংগী পোৎথোক হন্থরকপদা নৎতনা মহৈ-মরোংশিংদা তীল তাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি, হিমাচল প্রদেশতা এপল পুথোকপগী চাং হন্থরক্লি অমদি কালেন মতম ঙনখৎলকপদগী গেহুগী পোৎথোকসু অসুম অসুম হন্থরক্লি।

লীক্লাই :- বাবা, শাবা হেনগৎলকপদগী অৱাংবা চীংগী লমদমশিংদা কাং লৈবা ঙন্নদবা অমদি কাংগী লায়না শন্দোক্লমদবা অদু হৌজিক্তি কাংনা শন্দোকপা লায়না মেলরিয়া, দেঙ্গিনচিংবা চীংগী অৱাংবা মফমশিংদসু শন্দোরক্লি হায়বসিসু চুম্বরা বাবা।

থোইথোই :- উম অচুম্বনি, মসিদসু নৎতনা ভারত্তা ইং ১৯৫০ অদুৱাইদগী নোং চুবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি, অমদি মরম চাদনা মফম মতম চাদনা অকনবা নোং চুরকপদগী ঈশিং ইচাওগী অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লি। মসিদসু নৎতে হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক্তা নৎতনা মালেমগী মফম খুদিংদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী চীঙ্গাক ফংদবগী অৱাবা, ইকংগী অৱাবা, ইচাওগী অৱাবা, মীওই কয়া নেচরেল দিজাষ্টরনা মরম ওইরগা লৈফম লৈরক্তবা, মশাগী ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা হীংনবগীদমক অতোপ্পা মফম কয়াদা শৈদাংদুনা লৈনরক্লি।

লীক্লাই :- (ফোন রিং লাকপা) এ ! য়াইখোম্বনিনে, হল্লো... য়াইখোম্বা করি লৈরগে... করি হায়গে।

য়াইখোম্বা :- ঐখোয় ইচেগা ঐখোয় দাদাগা হৌজিক নোয়দা চৎকনি হায়দুনা চৎখিবনি, য়ৌরকঅবরা হংগে তৌবনিদা।

লীক্লাই :- এ ! ঐখোয়দদি করি থবক লৈবগে হায়রিসিবো, কৈদৌবগী লাকতোইনো হায়বনি, করিগীনো হায়বনি।

য়াইখোম্বা :- ঐসু খঙদে চৎকনিদং হায়রম্মী মরমদি হায়রমদে, হোরেল লাকঅগা মরম খঙলকান্দা ঐঙোন্দা অমুক হায়রকও, ফোন থম্মগেকো (ফোন থমখিবা)।

থোইথোই :- করিনোনে নঙনা ফোনদা শুসা-শুসা ৱারী শান্নরিদুবো কনাগনোনে, করি হায়রকইনো।

লীক্লাই :- বাবা, হন্দক ঐখোয়গী ইগজাম হায়দোরকপদা ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট তাখিবা ঐখোয়গী

ইমান্নবা য়াইখোম্বনি। হৌজিক ঐখোয়দা মখোয়গী মচেগা ময়াম্বগা চৎখিবনি য়ৌরকঅবরা হংলকপনিদা।

থোইথোই :- করি মরম লৈরজাৎনো মখোয়না ঐখোয়দা চৎখি হায়রকইদুবো (গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল) এ ! মোয়দি লাকপু লাকঅমাল্লে, অমুক্তা য়েংলুচো।

লীক্লাই :- ইচে... দাদা চংবীরকও, য়াম থাজদনা ইচেগা দাদাগনা ঐখোয়দা লাকপীরিসিবু করি তৌবা য়াওরগে।

কবোক্লৈ :- কৈসু তৌদেদা ইনাও উন্ননিংদুনা সুম নোয় দাদাগা চৎলুসি হায়দুনা হেক্তা লাক্লিবনি, নোয় বাবাদি লৈত্রো বাবাগসু শক অমুক্তা খঙনজগে হায়দুনা থওইনা লাকইবনি।

লীক্লাই :- বাবাসু লৈয়ে, ইচে... দাদা সোফাসিদা ফম্বীয়ু, ঐ বাবা কৌথোরক্কে। বাবা... বাবা... য়াইখোম্বহোয়গী ইচে কবোক্লৈগা দাদা লময়ানবগা লাকএ, ফমফম কাদা ফমহল্লল্লে, লাকও মোয়না বাবা উন্ননিংঙি হায়রিয়ে, লাকওকো।

থোইথোই :- সোমনা ইচা য়াইখোম্বগী মচে কবোক্লৈ, অদুগা ইবুংঙোনা য়াইখোম্বগী ময়াম্বা লময়ানবনিকো।

লময়ানবা :- অহোয় সার, ইচেগা ঐগা সারগা উন্নজনিংদুনা লাকচবনি, সারগী রিছার্চ ৱার্কশিংগী মরমদদি য়াম্না তাজরে অমুক্তং উন্নদুনা ৱারী শান্নজগে খনজরকপসে কুইরবনি, তাঞ্জা অমা ইচা চাদদুনা অসুক কুইবসে লৈজরকপনি, ঙসিদি হেক্তা লাকচরবনি সার।

থোইথোই :- ঐসু ইবুংঙোগী মরমদা তাবদি কুইরে, ঙসি ইবুংঙোহোয়না ঐবু উন্নবা লাকপিরিবসে ঐ হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা পোকচৈ, ইবুংঙোদি ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিস ইগজামদসু মায় পাক্তুনা হৌজিক হৌজিকমকসু য়াম্না নহা ওইনা দিপুটি কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্টকী থৌসু পুবিরিবনিদো, ইবুংঙোহোয়গুম্বা মতিক চাবা মীওইশিং অসি হৌজিক মালেমসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নীংই।

লীক্লাই :- ইচে... দাদা... বাবাগা ৱারী অদুম শান্নবীরম্মু, ঐ চা অমুক্তা লোনজরুখিগে।

কবোক্লৈ :- লীক্লাই ! চাগদু লোল্লুরনুদা ইচেহোয় থক্লপদা ঙাইরি, ৱারীদুম শাসি লাকও, ঐখোয় য়াইখোম্বগা নঙগগী লাইরিক মখা তমথবগী মরমদসু বাবাগা ঐখোয় পুন্না খন্নসি হায়দুনা থওইনসু লাক্লিবনি।

লময়ানবা :- সার ! ঐখোয় য়াইখোম্বদি মহার্ষি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটি (এম.ডি.ইউ), রোহটাক, হরিয়ানাদা ওইনা এম.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স তমহল্লগা মথং-মথং রিছার্চ তৌথহনগে খল্লি, ইচলনুপী লীক্লাইদি কদায়দা তমহনবীগে খল্লিবগে।

লীক্লাই :- বাবা, ঐসু য়াইখোম্বনা তমনি হায়রিবা এম.ডি.ইউ. য়ুনিভর্সিটিসিদা ওইনা তমগে, ইবানি পুল্লপ তম্মীন্নরবদি অহৈ-হৈত তাথোক তাশিন তৌনবসু য়ারনি।

থোইথোই :- হোয় হোয় য়াইখোম্বগা নবান্নি পুল্লপ সিদগী চৎমিন্নখ্রবদি ইপাসু পাখৎপা খরদি

ফরনি, তন্মো তন্মো, নবান্নি পুল্লপ মফম অমতদা তন্মীন্নরো, য়াইখোম্বদি য়াম্না ব্রিলিয়ন্ট ওইবা ষ্টুদেন্ট অমনি নঙসু য়াইখোম্বগী মতৌ তমগদবনিকো হোৎনবা লেপ্পা য়াদেকো মতিক চাবা মীওই অমা ওইদবা য়াদবনিকো।

কবোক্লৈ :- ঐসু ঐখোয় য়াইখোম্বা মথন্তা মীরমদা লাইরিক তম্বা চৎহনগদৌরিবসি পুক্নিংসে তয়াং তশোয়রম্বনি, হৌজিক্তি লীক্লাইগা পুন্না তম্মীন্নরনি হায়রবনিনা ৰাখলসে নুংঙাইরে।

লময়ানবা :- অদুদি সার ঐ মখোয় অনিগী এডমিসন তৌনবা শিনজরক্লগে, এডমিসন ফোর্মসু থারে হায়রকই।

থোইথোই :- ফরে ফরে লময়ানবা নঙনা ফনবা পুম্নমক শিনলক্লো, হৌজিক মালেমসিগী ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসন অমদি কায়থরক্লবা ইকো-সিস্তেমশিং অসি কন্ননবা হোৎনবদা মখোয় অনিনা মতিক চাবা ইনভাইরোন্টমেন্টেলিষ্ট অমমম ওইরক্কুনা থৌদাং য়াবা ঙম্বা ওইরসনু।

কবোক্লৈ :- মতাংবুদি চাদরে ঐনা হংজগদৌরিবা ৰাফমসে অদো সার য়াম্না খঙনীংবা পোকচবগী হংজগদৌরিবনি সার...।

থোইথোই :- করিনোনে কবোক্লৈ, নঙনা খঙনীংলিবা ৰাদুবো হেক্তা চীংনবা লৈতনা হায়য়ুনে।

কবোক্লৈ :- সারনা হন্দক হাইব্রিদ রাইজ মখল অমা পুথোকই হায়বদুবো করম্বা মখলগী ফৌনো হংজগে তৌবনিদা।

লীক্লাই :- (নোকপা) ঐদি ইচেসি করি করি ৰা হায়রক্কদবোই খল্লুরে, ইপা হেক পাখৎলুরে।

লময়ানবা :- সারনা হন্দক্তা পুথোকখিবা ফৌ মখল অদুগী মমিংদুবু... পানথোইবী ৰান হায়বা নৎতরা?

থোইথোই :- উম মানি, ঐনা ঐগী লৈখিদ্রবী নুপীগী মমিং লৌরগা থোনবা ফৌনি।

লীক্লাই :- ঐনা য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদা ইমাদি মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা ঐবু হুন্দোক্তুনা লাইরমলেন্দা চৎখরে (নুংঙাইতবা)।

কবোক্লৈ :- পুন্সি হায়বসিদি অসিনি লীক্লাই, তম্বা ঙমদবা মীওই মপোকনি, ঐনা পুংকক চাওরকপা মতমদা ইমা-বাবানা লাইৰক থিবা থৌদোক অমদা পুন্না লৈখিদ্রবা মতুঙদা পীক্লিবা ইপ্পা অনিসিগা ঐগনা কয়াদা ৰানা হীংনবা হোৎনরকখিবা পুম্নমকশিং অদু নীংশিংলুবদা তু চুংঙি (পুক্নিং নুংশিবা)।

লময়ানবা :- ইচে, অৰাবা ৰারীশিংদো অমুক নৌহৌননা নীংশিংলুরনু, সার, সারগী হাইব্রিদ ফৌদুগী মরমদা খরদং হায়বীয়ু।

থোইথোই :- ঐখোয় লৈবাক ভারতকী লৌউশিংউবগী থবক অসিদি চাদা ৬০রোমদি নোংগী ঈশিংগী মপাল তাংবনিদো। ইং ২০০৯ দা মোনশুন রেইন তাবগী চাং য়াম্না ৰাৎখিবদগী লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক চাদা ২০ লোমগী চাং হন্থখি অমদি মহৈ-মরোং, মরু-মরাংগী মমল খঙহেন হেনগৎখি।

| | | |
|---|---|---|
| কবোক্লৈ | :- | অচুম্বনি সার, মতম অদুদা লাইরবা মীওইশিংদি য়াম্না ৱানখি, চানিংঙাই লৈতবদগী চারা হেনবা মীওই কয়া ভারতকী মফম কয়াদা য়াওনখি। |
| থোইথোই | :- | অদুদগী ঐনা চাথোকসু লৈবা, ঈশিং য়াম্না তুংবা মফম নৎত্রবসু ইরায় লায়না হৌবা ঙম্বা ফৌ মখল অমা পুথোকতবা য়াদে খনবদগী ঐগী অঙনফৌ চাথোক লৈবী, খরা কংবা মফমদসু ইরায় লায়না হৌবা ঙম্বী ঐগী ফৌ পাম্থোইবী ৱান পুথোকখিবনি। |
| লীক্লাই | :- | হৌজিক্তি ঐখোয় বাবাগী ফৌ অসে লৌমী অয়াম্বনা য়াম্না পাম্না থানরে। |
| কবোক্লৈ | :- | ৱারীবুদি য়াম্না নুংঙাইরি, থেংঙে চৎলসি ইবুংঙো নঙ থবক কাবা থেংখ্রনি, সারহোয়সু থেংখ্রনি অদুদি সার ঐখোয় অমুক য়ৌজরগে। |
| লময়ানবা | :- | সার, লীক্লাইগা ঐখোয় য়াইখোম্বগনা চৎত্রিঙৈদা ঐখোয়দা ময়াম পুল্লপ চাক চারা অমতংদি চামিন্নসি। |
| থোইথোই | :- | হোয় হোয় চামিন্নসি অদুদি নচিল-নৌপ্পা অমুক য়ৌরোকো। |
| লীক্লাই | :- | ইচে... দাদা... সুম লৈজহৌরগে, য়ৌবীরোকো। |
| কবোক্লৈ | :- | হোয় হোয় লৈহৌরো, ঐখোয় অমুক চৎলেকো। (গাড়ী থৌখিবা) |

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: চীংয়াগী লম্পাক, নুংশিবা উচেক-ৱায়ানা খোংবগী মখোল)

| | | |
|---|---|---|
| য়াইখোম্বা | :- | লীক্লাই য়েংঙুনে তু, নোংচুপ থংবা চীংয়াসোমদা ... য়েংঙু তু। |
| লীক্লাই | :- | কৈনো হায়বনি য়েংদোইবো, নোংচুপলোমদা করি লৈরগে হায়বা। |
| য়াইখোম্বা | :- | নুমিৎনা নোংচুপলোম থংবা চীংদোলসিদগী অসুম অসুম লৈথরক্তুনা ঙঙ্গান্নবা ফজরবা মশেক মঙালনা মায়কৈ সোমসে পুমথন থন্না শন্দোকখ্রিবসে, য়েংবদা কয়াদা ফজরিবা, লুপা ফুদোংবা মচুগী ফিজোল শেৎতুনা মশা-মউ ফরবা নীংথিবা পুম্বনা লৈতেংলবা মতিক মগুন লৈরবা মীওই অমনা তপ্না তপ্না ময়ুম-মায়কৈ পাংখিবগুম উরিবসে...। |
| লীক্লাই | :- | অস ! নঙসিদি ঙাওদোরবরা করিনো চোইরোল পারোল য়াম্না ঙাংলে, মরি মখোং অমতা শম্নদবা ঙাক্তা, কদাইদগী ৱাহৈশিংনো নঙনা ঙাংলিবা ময়ামদুবো, নুমিৎনা নোংপোকলোমদগী থোরকই অদুগা নোংচুপলোমদা তাখি, অয়ুক নুংথিল, নুমিদাং হায়দুনা মালেমসিনা নুমিৎকী মায়কৈদা মশা মতোমতা মশাগী এক্সিসতা উংজবা মতমদা ওইরিবনি, মসিদি মহৌশাগী খোংচৎনি কৈনো। |
| য়াইখোম্বা | :- | লীক্লাই নঙসে নশাদা থোৎচবা মেংজবা অমতা হেক য়াওদে, মহৌশাগী ফজবশিংসে ময়েক শেংনা উবা ঙমদবা মাল্লি। |
| লীক্লাই | :- | ঙসি নুমিদাংৱাইরমসে, চীংয়াসিদা অফবা অশেংবা নুংশিৎ মরক্তা ঙহাক্তংদা ওইরসু পোথারুসি হায়দুনা লাক্লগা ইবানিসে মফম অসিদা মরৈ য়েৎনরুসি হায়দুনা হৌনরগা লাকপগা চপ হেক মান্নরে (শাওরি শাওরি তৌবা)। |

যাইখোম্বা :- ঐখোয় মীরমদা ইহৈ-ইশিং তম্বা চৎকদবা মতমসু খজিক্তং ঙাইশিল্লক্লে, ঙসি ঐখোয়গী চীংয়া লম্পাকসিদা ঙসি উরিবা শকফমসে ঐখোয়না অমুক মতুংদা লাকপদা পুমহোং হোংলম্বসু কনানা খঙগনি।

লীল্লাই :- লাকও হল্লসি লাকও, মমসু মমশিল্লক্লে ঙসিদি ঐ ইশাসে ইতন তল্লে য়াম্নসু হৈনিংদরে।

যাইখোম্বা :- ঙাইখোও ঙহাক্তং খোঙনাং মখোংসিদা ফমখিসিবা, নঙসে ঙসিসে মওং অমা ইতৌ তৌরে, ঙসি লাকইবসিদগীদি পাক লাল্লরোই ঐখোয় মফমসিদা।

লীল্লাই :- হুম, চৎলসি থেংথ্রনি, হয়েং নোয়দা ঐখোয় বাবাগা ঐগা নোয় ইচেনা চাক চাবা লাকউসু হায়রকপনি, হয়েং ওইনা অমুক ঙন্তা উন্নরসি।

যাইখোম্বা :- (ইপা পাখৎপা) লীল্লাই য়েংঙু তু অশোম থংবা চীংমায়সিদা লাম্মৈ পুমঙাং ঙাংনা চাকখৎলক্লিবসে, য়েংঙু তু মৈখুনা পুম্মম মমশিনলক্লে, মৈরিশিসু অসুম অসুম কনখৎলক্লে.... ওহ ! উপাল ৱাপাল পুম্নমক তুম্না মৈনা চাকখিবা তারবা (নুংঙাইতবা)।

লীল্লাই :- হোয়নে... ইস ! অসিদি কমায় তৌনি ... লাম্মৈ চাকপা অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি অসুমনা পাকতক্লনা পাম্বী-শিংনা পুম্নমক লোয়না মৈনা চাকখিবা তারে, চীংমায় অসি পুমকোক কোক্লনি, মহৌশাগী খলসু কাইরনি।

যাইখোম্বা :- অসুম্না ঐখোয় মীওইবনা চীংমায় কয়া মৈ থাদোক্তুনা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবসিনা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লি খঙলবসু অসুম্মক লেপ্তুনা মৈ থাবগী থবক্তি চৎথরি।

লীল্লাই :- পাম্বীশিং অসি হৌদ্রবদি চীংমায় অসিসু নোংজু থাগী মতমদা লোয়নমক নীংখাইরক্লনি, লৈবাক লৈহাও মাংলনি, অপিকপা থৱায় পানবা কয়াসু অমতা লৈররোই, অকোয়বগী নুংশিৎসু শেংলরোই,ঈশিংসু মোৎশিনলনি।

যাইখোম্বা :- অসুম্না মৈ থাবসিনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহল্লকপদসু মতেং য়াম্না পাংলিবনি, লীল্লাই লাম্মৈ চাকপসে অসুম অসুম হেনগৎলক্লে, ঐখোয়দি অসুম য়েংবা নৎতনা উপায় লৈতরেদো (থৱায় নুংঙাইতবা), চৎসি লাকও হল্লসি লীল্লাই...।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক পুং তরামুক তাবা, মফম: কবোক্লৈগী য়ুম, ময়াম ইরাং লাংবগী মওং)

কবোক্লৈ :- হায় য়াইখোম্বা.... লময়ানবা... নোয়গী সার থোইথোইগা লীল্লাইগদুবু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিবু কৈদৌরজাৎনোনে, মোয়বু কাওরবজাৎলনে ঙসি ঐখোয়দা চাক চাসি হায়খিবদুবো...।

লময়ানবা :- ঙসাই অয়ুক অঙনবদা ঐগা ফোনদদি সার থোইথোইগা পাওদি ফাওনখ্রবনি, মোয় শোয়দনা লাক্কনি পুংসু পংথেং থেংবা নৎত্রি, ঐখোয় ইচেগী হৌনবী হান্না পংপাদা পাখৎপদু অমুক্তা তৌরকখিনুবা।

কবোক্লৈ :- পাখৎপগী ৱা নৎতেনে, খরা ঙন্না লকহন্নিংবগী ৱানি, ঙহাক ৱারী ৱাতাই তৌনবগী তাঞ্জাসু লৌনিংবগী ৱানি।

য়াইখোম্বা :- করি ৱারি ৱাতাইনোনে ইচেনা লীক্লাইহোয়গী পাবুংগা শান্ননিংলিসিবো?

কবোক্লৈ :- (খিৎতং ইকাইরপ) কৈনোহে করি ৱারি ৱাতাইবু শারুনি হায়গে, সারহোয়দি লাইরিক লাইশু হৈবা এক্সপার্টনিনা হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহল্লক্লিবা অমাংবশিংগী মরমদা হংহৌগে তৌবনিদা।

লময়ানবা :- এ ! হায়নরিঙৈদা সারহোয়দি লাকপু লাকএ, (গাড়ী থৌজিল্লকপা) সার লেংশিনবীরকও, লীক্লাই চংঙকও লাকও...।

থোইথোই :- খরা ঙন্না লাক্কে তৌবনি, অথুবা চৎতবা য়াদবা থবক অমা লাকশিন্দুনা মদু চৎলম্লগা লাকপসিদা খরা থেংদোকখরে, নোয় ৱারৌবা য়াদেকো।

কবোক্লৈ :- এ ! সার করিগী ৱারৌগদৌরিবনো, লাকপীরিবসে ঐখোয়গীদি য়াম্না লাইবক ফরবনি, সোমদা হেক্তা লেংশিনবীয়ু সার, ইবেন্মা লীক্লাই সে সে সিদা ইচেগা ফমসি লাকও।

লীক্লাই :- হোয় ইচে, ইচে সে ইচেহোয়না চানবা অচাপোৎ, হৈ-রা খরা য়াওরকপনি সি অমুক্তা লৌশিনবীয়ু।

কবোক্লৈ :- করিগী অসুক য়াম্না পুরক্লিবনো, অদো সার ঙহাক্তং পোথাবা ওইনা ৱারী ঙহাক শারগা চাক চাথোক্লবা তৌরসি।

য়াইখোম্বা :- পাবুং হৌজিক ভারত্তা শাবগী চাং অসি সেলসিয়স ডিগ্রি মরিরোমগী চাং য়ৌনা হেনগৎলক্লবদি নোংচুপ থংবা অমদি খা থংবা ভারতকী শরুকশিংদা কা হেন্না লৌউ-শিংউবগী ফীভমদা অমাংবা অহোংবা ওইরক্লগনি হায়না হায়রিবসিবু অচুম্বরা?

থোইথোই :- উম অচুম্বনি, লম অমগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনগী মতুংইন্না পান্বী শা-ঙা মখলশিং অসি হৌরিবনি অমদি লৈরিবনি, মহৈ-মরোংশিংগী চাথোক পুথোকপগী চাংগা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগা য়াম্না নক্কবা মরি লৈনৈ, মফম অমগী ক্লাইমেৎ কন্দিসনদা খঙহোং হোংলকপা তারবদি হান্না লৈজরম্লিবা পান্বী শা-ঙাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা ওইরকপা হায়বসি মশানা তাবনি।

লময়ানবা :- হৌজিক ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা উমং-ৱামংগী শরুকশিং অসিসু মীশিং হেনগৎলকপা, লম্বী থোং শেমগৎলকপা, কাহেন্না য়ানথৎলকপা মরম ময়ামসিদগী নোংমা নোংমগী অসুমক মাংশিল্লক্লি, উমংগী শরুকশিং মাংশিলকপা অসিসু গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্লবগী মচাক অমসু ওইরিবনি।

লীক্লাই :- দাদা, ইং ১৯৭০ অদুৱাদগী খা থংবা এসিয়াগী শরুকশিংদা ইকং থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি হায়নসু আর্টিক অমদা থেংনখিবগুম তৌই, মসিসু উমং-ৱামং কোকথোক্লপগা মরী লৈনবরা।

লময়ানবা :- উম য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, ইং ১৯৮৭ অমদি ইং ২০০২-২০০৩ দা ভারত্তা ইকং থোকপনা মরম ওইরগা মহৈ-মরোংগী পোৎথোক কা হেন্না হন্থখি, ইং ২০৪০ অদুৱাইদদি অৱাং-নোংচুপ থংবা ভারতকী শরুকশিং মরুওইনা ঝরখন্দ, ওরিষ্য অমদি ছট্টিসগরগী মফমশিংদা কা হেন্না শাগৎলকপদগী মহৈ-মরোংগী পোৎথোক্কী চাং য়াম্না হন্থরগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি।

কবোক্লৈ :- সার, হিমালয়া চীংশাংগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি হায়বদাই।

থোইথোই :- উম অচুম্বনি, শাবগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা উনগী শরুকশিং শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায়সু অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। হৌজিক লৈরিবা টেম্পরেচর অসিদগী সেলসিয়স ডিগ্রি ২.৫ য়ৌনা ৱাংখৎলক্লবদি হিমালয়া চীংশাংগী উনশিং কা হেন্না শৌদোরকপদগী অৱাং থংবা ভারতকী শরুকশিংদা চাওনা অৱা-অনা নংলগনি হায়নসু পানরি। মালেমগী মনুংদা খ্বায়দগী মী কুংনা তারিবা সহরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মুম্বাইগী সমুদ্র মপানগী শরুকশিংসু ঈশিংনা থুমজিনখিবা য়ারি।

য়াইখোম্বা :- ভারত সরকারনদি গ্লোবেল ৱার্মিংদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাংশিং ইপায়মক পায়খৎত্রবরা?

লময়ানবা :- ভারত সারকারনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা ষ্টেপ কয়ামরুম পায়খৎলি, মালেমগী থাক্তা তৌনবা ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্ট কয়াদসু শরুক য়ারি অদুবু গোর্ভনমেন্ট খক্তনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোকপা হায়বসে ওইথোক্লোয় অদুনা ঐখোয় মীয়াম হুপ্পা অমতা ওইনা হোৎনমীন্নবা তাই।

কবোক্লৈ :- ইহে ৱারীদা ঐখোয়দি চাক চাগনিকা লোয়নবু কাওরেদা, লীক্লাই লাকও চাক ঈশিং চাথোক্লবা শেম শারুরসি।

লীক্লাই :- হোয় ইচে, ঐদি চাক লাম্বনা লোইরবনি ৱারী নুংঙাইনা শান্নবদুদা মরক থৎপা কীদনা হায়জদ্রবনি।

থোইথোই :- ঐনা হায়গদবদি ইচাশা ইনাওশা, চীঞ্জাক মাঙহনবগী থবকশিমসু তোক্লসিকো, চহিদা চাওরাক্লা চীঞ্জাক বিলিয়ন টন ১.৩ রোম মালেমগী মফমশিংদা অরেম্বদা মাঙহল্লি, মীওই কয়া অমনা অমুক চাবা ফংদদুনা চরা হেল্লি অদুনা ঐখোয়না চাবা ঙমগদবা চাং অদুতমক পুথোরকউকো।

কবোক্লৈ :- হোয় সার, ঐদি অরেম্বদা চীঞ্জাক খক মাঙহনজদে, অদুদি সার চাক চাথোক্লবা তৌরসি।

-ম্যুজিক-